এ এ পিগী ওফিস থোঙ লোনশিনখ্রে, পি এমগী য়ুমদা থোমজিনবা য়াওনা খোঙজং কয়া চংশিন্নবা শেম শাখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা অমসুং আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ই দি) না লিকর স্কাম কেস অমসুং মনি লোন্দরিংগা মরী লৈননা ফাজিনখিবদগী দেল্লিদা পার্টি অসিগী অমদি ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি কয়ানা ইরাং হৌরিঙৈ চৈরক্তা সি সি পি গী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমজিল্লকখিবগা লোয়ননা এ এ পিগী দেল্লিদা লৈবা পার্টি ওফিস থিংজিনখ্রে হায়রি।

কেজ্রিৱালগী লোয়নবী সুনিতানা মহাক্কী মপুরোইবনা ইরকপনি হায়বা চিঠি অমা এ এ পি লুচিংবশিংগী মমাংদা পাথোকপদা পার্টি ওফিস থোঙ লোনশিনখিবগী ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

দেল্লিগী মিনিষ্টর অতিশি মার্লেনানা ফোঙদোকখিবদা নেসনেল পার্টি অমগী ওফিসপু লোক সভা মীখল মমাংদা চংবা য়াহন্দবা অসি বি জে পিগী করি লাল্লোংনো। লাল্লিবা মীখল অসিদা বি জে পি মতোমতা অৱাংবা মফমদা লেপ্পুনা অদুগা অতৈ পার্টিবুনা অকুৎপা মফমদা নমশিল্লগা মীখল থেংননবা শিনবা থৌওং ওইগনি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী থৌওং নত্তে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎকনি হায়খি।

কেজ্রিৱালনা ইরকপা চিঠি অদুদা লৈবাক অসিগী মনুং অমসুং মপানগী মীওইশিংনা ইন্দিয়াবু মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনরি। অদুগা ঐহাক্তী জেল মনুংদা লৈরবসু মপান্দবু লৈরবসু মীয়ামগী থবক তৌবদি লেপ্পা লৈরোই হায়না ইরকখি হায়রি।

কেজ্রিৱাল ফাখিবা অসিগা মরী লৈননা এ এ পিগী লুচিংবশিংনা দেল্লিগী সহিদি পার্কতা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা লৈবাক অসি দিক্টেটরশিপতগী কনবা মথৌ তাই হায়বা খোল্লাও লাউখি। এ এ পিগা আই এন দি আই এ ব্লোকতা লৈরিবা পার্টিশিংগা লোয়ননা মীফা অসিগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চংশিন্নবা ৱাশক কয়াসু লৌখি।

ৱাশকশিং অসিগী মনুংদা মার্চ ২৪ হয়েং লৈঙাক্কী ফম পায়রিবা মীওই কয়াগী ইফিজি মৈ থাবা, মথং নুমিৎ মার্চ ২৫ দা হোলিগী হরাও-কুম্মৈ পুম্নমক পাঙথোক্তবা, মার্চ ২৬ তা দেল্লিদা লৈরিবা পি এমগী য়ুম তম্না থোমজিনবা অমসুং কুমসি চহীগী ওইনা হোলি ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

নাকল অমরোমদা বি জে পিগী এম পি মনোজ তিৱারিনা ঙসিগী খোঙজং অসিদা কনানসু শরুক য়াবিদ্রবনা নুমিৎ নিনি হুম্নিদদি কন্নানা লাকপীগদগে হায়না করেম্নখি। মহাক্না মখা তানা মীফা অসিগী মতাংদা দেল্লি মীয়াম্না কাওনখ্রবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, চিফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালবু ট্রাইয়েল কোর্টতা পুথোকখিবদা ই দি না মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ ১০ নি লৈনবা প্রেয়র তৌরকখিবদা কোর্টনা নুমিৎ ৬ নিগী রিমান্দ পীখিবনি।

ইন্সটাগ্রামদা খঙনবা নুপীমচা ইজ্জৎ মাঙহনবীখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা নেপালদগী মহারাষ্ট্র তম্না মহাক্কা ইন্সটাগ্রামগী খুৎথাংদা খঙনবা বোয়ফ্রেন্দ উন্নবা লাকপদা থানে দিষ্ট্রিক্টকী মুম্ব্রাদা লৈবা অশানবা কা অমদা মহাকপু ইজ্জৎ মাংহনবীখ্রে হায়রি। দাদার ষ্টেসনদা ত্রেন পেসেঞ্জর খরনা নুপীমচা অসিবু থেংনরকপদগী মহাকপু গভর্নমেন্ট রেলৱে পুলিসতা পুরক্লবা মতুংদা হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুগা মহাকপু ইজ্জৎ মাংহনবদা চেন্নরিবা মীওই অদুদি পুং খরগী মতুংদা ফাবা ঙমখি। এজেন্সিনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না নুপামচা অসিনা মহাকপু ইন্সটাগ্রামগী খুথাংদা থা অমগী মমাংদা খঙনরবা মতুংদা তৌশিন্নবা ৱাশক কয়াগা লোয়ননা মহাক লাক্কবদি থৱায় থাগনি হায়দুনা নমদুনা কৌখিবনি হায়রি।

টাইৱানগী অকোয়বদা চাইনাগী মিলিটরি এয়রক্রাফ্ট ১৩ অমসুং নেভি ভেসেল ৬ নৌনা থৌশিল্লকখ্রে ঃ এম এন দি

টাইপৈ, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

য়ুক্রেন-রসিয়া লান অমসুং ইজরেল হামাস লান য়ক লাউনা কল্লিঙৈসিদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা টাইৱানগী সমুদ্রগী শরুক খরদা চাইনাগী মিলিটরি এয়রক্রাফ্ট ১৩ অমসুং নেভি ভেসেল ৬ থৌশিল্লকপা থেংনরে হায়না টাইৱানগী মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল দিফেন্স (এম এন দি) না ফোঙদোরক্লি।

পুং ২৪ গী মনুংদা চাইনাগী মাইকৈদগী থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি চিংননিংঙাই ওই হায়রদুনা এম এন দি না মসিগী পাউখুম ওইনা মথৌ তাবা ফোর্স থাদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

টাইৱাননা পুং ২৪ হায়রিবসি ঙরাংসু চাইনাগী মিলিটরি ভেসেল ৩৬ অমসুং নেভি ভেসেল ৬ টাইৱাননা কন্ত্রোল তৌবা সমুদ্রগী জগা খরদা নকশিল্লকপা থেংনখিবা লৈখ্রবনি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ তগী ঙসিগী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা চাইনাগী পি এল এ এয়রক্রাফ্ট ১৩ অমসুং ভেসেল ৬ অসি মফম লেংদনা লৈরগা এয়রক্রাফ্ট ৪ অমদি টাইৱাননা কন্ত্রোল তৌবা খা নোংচুপ্তা লৈবা এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন লান্না পায়শিল্লকখি হায়রি।

ঙসিসু পি এল এ এয়রক্রাফ্ট ১৩ টাইৱানগী অৱাং থংবা অমসুং খা নোংচুপ থংবদা লৈবা এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন লানশিল্লকখি।

কুমজা ২০২০ গী সেপ্টেম্বরদগী হৌনা চাইনানা টাইৱান অমসুং চাইনা অনীগী মরক্তা লৈরিবা গ্রে জোনদা চংশিন্দুনা কিহন খঙহনবগী থৌওং চত্থদুনা লাকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা টাইৱানদা চাইনানা লান্দারক্কদ্রা হায়বগী অকিবা পোক্লরি।

[illegible]

[illegible]

অসাম লৈঙাক্না কাংলুপ অনীগী মরক্তা লম লৈবা য়োনবা মতম খরা থীংজিনখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা অসাম লৈঙাক্কী রেভেন্যু এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট (রেজিষ্ট্রেসন) দিপার্টমেন্টনা লাইনিং লাইশোন খেন্নবা কাংলুপ অনীগী মরক্তা লম লৈবা অমসুং য়োনবগী থবক মতম খরা থীংজিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

বি জে পিনা লুচিংবা অসাম লৈঙাক অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিদা লৌহল্লক্লিবা খোঙথাং অসি লোক সভা মীখল মমাংদা কাংলুপ অমত্তগী মরক্তা খৎন-চৈনবা অমসুং নুংঙাইনদবা থোকপগী চাং হন্থনবা লৌবা ফিরেপনি হায়রি।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা লম লৈবা য়োনবদা পীরম্বা নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেট (এন ও সি) সুমতম খরা পীবা লেপ্পলগনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা থোকখিবা ওর্দর অসি মার্চ ৭ তগী হৌরগা থা ৩ হায়বদি জুনগী তাং ৭ ফাওবা চৎনগদবনি হায়রি।

অদুবু করিগুম্বা এন ও সি অসি য়াম্না অথুবগী ওইনা মথৌ তারবদি লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা পীরোই হায়বগী অয়াবা অদু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নরদগী লৌরবা মতুংদা এন ও সি অসি লৌবা অদুম্মক য়াখিগনি। ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ রেজিষ্ট্রেসন, অসামদগীসু হান্না তান্নরবা মতুংদা এন ও সি লৌবা য়াখিগনি হায়না নোটিফিকেসন অসিদা পল্লক্লি।

অসামদা লোক সভা মীখল অসি ফেজ ৩ থোক্না এপ্রিল ১৯, এপ্রিল ২৬ অমসুং মে ৭ তা পাঙথোক্কদৌরি। অদুগা ভোট মশিংনা জুনগী তাং ৪ দা থীগদৌরি। রেভেন্যু দিপার্টমেন্টনা লমগী মতাংদা থোরক্লিবা দাইরেক্টিভ অসি রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৯০৮ কী সেক্সন ২১(এ) গী মতুং ইন্না থোকপনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জ্ঞানেন্দ্র দেব ত্রিপাথিনা ফোঙদোক্লি। নোটিফিকেসন অসি অসাম লৈঙাক্না ‘মিসন বসুন্ধারা’ গী ৩ শুবা ফেজ চৎনহন্নবা হোৎনরিঙৈদো থোক্লকখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিববু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

জেনেভা, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

সেনিয়র বি জে পি লুচিংবা এম কে অজাটশাত্রুনা জেনেভাদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এসেম্বলি মীফমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়রদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

অজাটশাত্রু অসি মহারাজা হরি সিংহগী মচানুপানি। মহারাজা অসিনা লৈরিঙৈ মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পাকিস্তাননা লৌশিল্লম্বা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংগী অৱাবা অদুগী মতাংদা ত্রিটি ওফ এসেসন অমা ১৯৪৭ দা সাইন তৌরম্মী।

অজাটশাত্রুগী য়ু এন এদ্রেস অদুদা মহাক্না কুমজা ২০১৯ দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কন্সটিট্যুসন শেমদোক শাদোকখিবা অদুনা মফম অসিদা থোকপা টেররিজমগী থৌওং হন্থরে। ২০০৪ দগী ২০১৪ ফাওবদা লমদম অসিদা টেররিষ্টকা মরী লৈনবা থৌদোক ৭,২৭০ থোকখি। অদুবু কন্সষ্টিট্যুসন রিফোর্মগী মতুংদা টেররিজমগা মরী লৈনবা থৌদোক অসি চাদা ৭০ হন্থরে। মসিনা তাকপদি লৈঙাক্না লৌখিবা খোঙথাং অসি তৎদু লৈতাবা অমদি ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা অচুম্বা খোঙথাং ওইখি তাকপনি।

মসিদা নত্তনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা কুমজা ২০০৫ দগী ২০০৬ ফাওবগী মনুংদা লায়রবগী চাং চাদা ৪০.৪৫ ওইরম্বা অদু কুমজা ২০২২-২৩ দা শুপ্পগী চাদা ২.৮১ খক্তমক ঙাইরে। লোয়ননা কুমসি চহীগী বজেদ সেসনদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগীদমক য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪ গী শেন্থং পীথরক্লবা ৱারেপ লৌখিবা অসি লমদম অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অসুক্কী মতিকমীৎয়েং চংলি তাকপনি।

অজাটশাত্রুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা মখোয়গী সিকুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন মতুং ইন্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পাকিস্তাননা লৌশিল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাবা য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

BEFORE THE OATH COMMISSIONER:
MANIPUR AT IMPHAL
[illegible] / AFFIDAVIT

I, Ningombam Lokeshwori Devi, D.O.B. 10/03/1982, legally wedded spouse of No. JC-550620P Subedar Gotimayum Arunkumar Sharma presently residing at Brahmapur Nahabam, Imphal East District, Manipur do hereby solemnly affirm and state as follows:

1. That I am a law abiding citizen of India by birth having the above mentioned permanent residential address.
2. That I have changed my name from Gotimayum Lokeshwori Devi to Ningombam Lokeshwori Devi by virtue of my Aadhaar card and school certificates. Now, I have changed my name to Ningombam Lokeshwori Devi from my previous name Gotimayum Lokeshwori Devi. My date of birth is on 10th March, 1982.
3. That I am producing this Affidavit from the purpose of evidence for change of my name.
4. That both names i.e. Gotimayum Lokeshwori Devi and Ningombam Lokeshwori Devi pertain to one and same person who is myself.
5. That I shall at all time thereafter in all records, deeds and writing in all proceeding dealing with transactions, private as well as under all occasions whatever be only Ningombam Lokeshwori Devi.
6. That what is stated above is true and correct to the best of my knowledge, information and belief. Nothing materials has been concealed thereof.

I, the above named deponent do hereby solemnly declare and verify that true contents of the affidavit are all true and correct to the best of knowledge and nothing false have been stated therein.

Dated/Imphal,
The 19th March, 2024
By : Advocate
Sapam Rajivkumar Singh
Advocate B.E. LLB,

Ch. Dorendro Singh
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur
Regd. No. 492/2022

Signature of Deponent

HL-P/10193/24 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR
Ref: Mutation case No. : 48/SDC/SLG/IE-2024

1. Pangambam Rajendro Meetei, S/o (L) Gulamjat Singh of Yumnam Khunou Mayai Leikai
2. Pangambam Ojit Singh, S/o (L) Gulamjat Singh of Yumnam Khunou Mayai Leikai

-Petitioner

- Versus -

(Late) Pangambam Gulamjat Singh, S/o (L) Amu Singh of Yumnam Khunou

- Opposite Party

[illegible] / NOTICE
Sagolmang, the 22/3/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহসিল খুল নং 2-Yumnam Khunou পাটা নং 554 (অরিবা) 169 (অনৌবা), দাগ নং 1204 মোট এরিয়া .36 একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাটাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East
HL-P/10190/24 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG
Ref :- Mutation Case No. 141/SDC/IW-L/2024

Moirangthem Dolen Singh, S/o (L) Moirangthem Sashikumar Singh of Uripok Polem Leikai

- Petitioner

-VS-

Late Moirangthem Sashikumar Singh, S/o (L) Khomdon Singh of Uripok Polem Leikai

- OP/Party

[illegible] / NOTICE
22/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম শাশিকুমার সিংহ পীতা মৃত খোমদোন সিংহ সাং উরিপোক পোলেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৪০২ দাগ নং ১২০২ এরিয়া ০.৭৬০০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang
HL-P/10188/24 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK
Ref :- Mutation Case No. 150/SDC/YPK/2024 **Date. 22/03/2024**

Parties :- 1. Thingujam Raghu Singh, S/o (L) Apabi Singh of Wangkhem Mayai Leikai
2) Thingujam Manitomba Singh, S/o (L) Apabi Singh of Wangkhem Mayai Leikai
3) Thingujam Rajen Meitei, S/o (L) Ibobi Meitei of Wangkhem Mayai Leikai

- Petitioner

- Vs -

(L) Thingujam Apabi Singh, S/o (L) Chaoba Singh of Wangkhem

- O.PP:

[illegible] / NOTICE
Yairipok, the 22/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০০-ৱাংখেম পাটা নং ১৫২ অরিবা ১৯৬ অনৌবা দাগ নং ১১১২ এরিয়া .৪১০০ হেক্তর ইংখোল চাওবা অসিগী পাট্টাদার নং থিঙুজম অপাবী সিংহ পী: মৃ চাওবা সিংহ সাং ৱাংখেমদা লৈবীরম্বা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Applicant No. 1 (one) না দাগকী খাদা .১৩৬৭ হে:, Applicant No. 2 (Two) না দাগকী ময়াইদা .১৩৬৭ হে:, অমসুং Applicant No. 3 (Three) না দাগকী অৱাংদা .১৩৬৬ হে: গী লমশিং অসি মশা-মশাগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েংপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Yairipok
HL-P/10191/24 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG
Ref :- Mutation Case No. 142/SDC/IW-L/2024

Moirangthem Bimol Singh, S/o (L) Moirangthem Sashikumar Singh of Uripok Polem Leikai - Petitioner

-VS-

Late Moirangthem Sashikumar Singh, S/o (L) Khomdon Singh of Uripok Polem Leikai

- OP/Party

[illegible] / NOTICE
22/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম শাশিকুমার সিংহ পীতা মৃত খোমদোন সিংহ সাং উরিপোক পোলেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩০৮ দাগ নং ১২৭১ এরিয়া ০.৯৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang
HL-P/10188/24 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG
Ref :- Mutation Case No. 143/SDC/IW-L/2024

Moirangthem Charan Singh, S/o (L) Moirangthem Sashikumar Singh of Uripok Polem Leikai - Petitioner

-VS-

Late Moirangthem Sashikumar Singh, S/o (L) Khomdon Singh of Uripok Polem Leikai

- OP/Party

[illegible] / NOTICE
22/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম শাশিকুমার সিংহ পীতা মৃত খোমদোন সিংহ সাং উরিপোক পোলেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৬৮/৭৩১ দাগ নং ১০৭৬/১৪৮৩ এরিয়া ০.৫৫৫০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang
HL-P/10188/24 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG
Ref :- Mutation Case No. 144/SDC/IW-L/2024

Moirangthem Homen Singh, S/o (L) Moirangthem Sashikumar Singh of Uripok Polem Leikai - Petitioner

-VS-

Late Moirangthem Sashikumar Singh, S/o (L) Khomdon Singh of Uripok Polem Leikai

- OP/Party

[illegible] / NOTICE
22/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম শাশিকুমার সিংহ পীতা মৃত খোমদোন সিংহ সাং উরিপোক পোলেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৩২ দাগ নং ১৬৭ এরিয়া ০.৫৭৯৯৯ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang
HL-P/10188/24 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG
Ref :- Mutation Case No. 145/SDC/IW-L/2024

Moirangthem Tombi Singh, S/o (L) Moirangthem Sashikumar Singh of Uripok Polem Leikai - Petitioner

-VS-

Late Moirangthem Sashikumar Singh, S/o (L) Khomdon Singh of Uripok Polem Leikai

- OP/Party

[illegible] / NOTICE
22/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম শাশিকুমার সিংহ পীতা মৃত খোমদোন সিংহ সাং উরিপোক পোলেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৫৪/১০০১ দাগ নং ১৪২৯ এরিয়া ০.৫৭০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang
HL-P/10188/24 March

[illegible]
NEW ERA KEINA GIRL'S HOSTEL
OPPOSITE IMPHAL COLLEGE GATE, KWAKEITHEL NINGTHEMKOL LANE 2
ADMISSION AND COUNSELLING OPEN 2024
FOR CLASS XII SC (COHSEM)

SPECIAL FEATURES :
i) Tutorial classes inside hostel only by well trained, qualified and dedicated teachers currently serving in most reputed schools in the city.
ii) Van services from hostel.
iii) Extra Classes for weak students.
iv) Printed study materials.
v) Strict rules & regulations.
vi) Traditional nutritious, hygienic and delicious fooding menu on rotational basis.

SESSION STARTS FROM 4TH APRIL, 2024
40 Seats only
CONTACT : 9366407996, 9366299374, 9383218404
HL-P/9986/16/3-4/4

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)
REGISTRATION OPEN
[illegible]
PAPER I, II, III *for* Under Graduate Test
ELIGIBILITY: CLASS XII Sc/Arts/com
CUET(UG)
Common University Entrance Test 2024
DOMAIN SUBJECTS : Phy, Chem, Bio, Maths, Pol. Sc, Geo, Hist, Eco
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS
* FIRST COME FIRST SERVE ! * SPECIAL FEE CONCESSION ! * ONLY FEW REMAINING SEATS !
NEET / JEE CRASH & FOUNDATION
CONCESSION : 1. ACIANS/Former Students 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position holders in class x & xii and 90% above 5. 87% and above P.C.B of xii of 23 6. freeship for meritorious students (NEET 22/23)
Faciliteis : *7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for NEET /JEE van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of*
EVENING: 3PM TO 7PM 4PM TO 7PM
AFTERNOON: 11AM TO 2PM 12PM TO 3PM
Morning : 5AM to 9AM 5.30 TO 8.30AM
SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter 2. Special Test Series 4. Extra class for weaker STUDENDS 5. SEPARATED BOYS AND GIRLS HOSTEL ,*van service,*
For details visit to office of Nagamapal Lamabam Leikai (11am to 7.30 pm) or Kwakeithel Akham leikai (10 am to 3.30pm)# 878 7586090
HL-P/10156/21 Mar to 21 Apr.)